**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-08.2024)**

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা মার অমদি থাদৌ ফুরুপকী লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নরি। মসিগা লোয়ননা অতোপ্পা ফুরুপশিংগসু ৱারী শানদুনা সরকারনা অথুবা মতমদা লমদমসিদা শান্তি পুরকবা হোৎনরি। ৱাফম অসি ঙসি ফমখিবা বিধান সভা মীফমদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি।

মীফম অদুদা এপ্রোপ্রিয়েসন বিল পাস তৌনবা খন্নবদা শ্রী বিরেননা হায়-রাজ্য অসিদগী মীতোপ খন্দোকবা হোৎনখিবা, দ্রগ থিংবা য়াওনা রিজার্ব ফোরেষ্টতা আইন কায়না লম খোমচিল্লম্বশিং তকথোক্লুবদগী ইরাং অসি থোরকখিবনি। অদুবু, সরকার অসিনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা তংদু লৈতাদবা পুরকবা হোৎনরি। রাজ্য অসিদা চৎনরম্বা এফ.এম.আর লৌথোকখিবগা লোয়ননা মীয়ামা পাল্লিবা এন.আর.সি. চৎনহনবা অমদি ভারত-মঞ্জান্মার ঙমখৈ পরিং শম্বল খাবগী থবক অথুবা মতমদা লোয়শিনবা হায়বসিদা সরকারনা অহেনবা মীৎয়েং চংলি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা অমনা অমদা মতেং পাংনবগী মহুৎ রাজনিতিগী খুদোংচাদবা লৌদুনা ইরাং শাগৎনবা হোৎনবীগনু।

মহাকা হায়-রাজ্য অসিগী ৱাথোকা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরিবা মীয়ামবু তেক্ত-কায়দনা অমদি তঙাইফদবা মতেংশিং পীদুনা লৈহনবগী মহুৎতা মখোয়দা এম.এল.এ. খরনা ইনশিনদুনা ৱাকৎ মীফম ফম্বা অমদি ৱাকৎ খোঙচৎনচিংবা চৎহনবগী থৌওংশিং লেপ্পীয়ু।

শ্রী বিরেননা বঙ্গলাদেসতা থোকখিবা ইরাংগুম রাজ্য অসিদসু থোরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়না বিরোধি এম.এল.এ. অমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু লাইবক থিবনি হায়নসু ফোংদোকখি।

**কোল্লিং (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-মনিপুরদা লৈরিবা জিলাশিং অসি অমুক হন্না শেমদোক শেমজিন তৌবগী তঙাইফদবা লৈরে। অসিগুম্বা খোঙথাং অসি পায়খৎলকপা মতমদা সরকারনা মরি লৈনবা এম.এল.এশিং, সিভিল সোসাইতিগী মীহুৎশিং অমদি ভিলেজ চীফ নৎত্রগনা ফুরুপশিংগী লুচিংবশিংগা পুন্না ফম্মীন্নদুনা য়ান্নবা অমা প্রকপগী তঙাইফদবা লৈ।

ঙসি সভাদা এম.এল.এ. লৈশিও কৈশিংনা পুখৎলকপা কোল্লিং এটেন্সন মোসন অমগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিগী জিলা খরদি লৈঙাক সাসনদা খুদোংচানবা মওংদা শেমদোক শাদোকপগী মহুৎতা রাজনিতিগী খুদোংচানবা ওইনা শেম্বা থেংনরি। মসিগী মথক্তা কনাগুম্বা ফুরুপ অমনা জিলা অদুবু মখোয়তগী ওইবা জিলা অমনি হায়দুনা অতোপ্পা ফুরুপশিংদা পামদবা থৌওং কয়া চত্থরকপা থেংনবা অসি লাইবক থিবনি।

রাজ্য অসিদা তংদু লৈতানা অমদি কাংলুপ মশেল নুংশি চান্ননা লৈমিন্নসি হায়বা তারবদি জিলা অমবু ফুরুপ অমত্তগা ওইবা জিলা অমনি হায়বগী ৱাখল্লোন অসি থাদোকপা তাই। হৌজিক লৈরিবা জিলাগী বাউন্দরিগী অশোয় অঙামশিং অসি চুমথোকহৌদ্রবা তারবদি তুংদা হেন্না নুংঙাইতবা কয়া থোরক্কনি হায়বগী ৱাফম লৈ। মরম অদুনা সভাগী সদস্যশিং য়াওনা মরি লৈনবা পুমমকা মসি শেমদোকবা খন্ন-নৈনবগী মতম য়ৌরে।

**দিমান্দ (এল)ঃ** ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরুকশুবা মীফম ঙসি লোয়শিনখ্রে। মমাং থাগী ৩১ দগী হৌনা চত্থরকখিবা তরুকশুবা বিধান সভাগী মীফম অসিদা পুন্না সিট্টিং ৯ লৈখি।

ঙসি অরোইবা নুমিৎতা সভানা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ ফোর গ্রান্টস তরেৎ পাস তৌখি। অপুনবা লুপা কোতি লিশিং ৪,২২৮ হেনবগী দিমান্দশিং অদুদি-এদুকেসন, কেফ এন্দ পি.দি., ৱাটর রিছোর্সেস, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জারভেসন, সাইন্স এন্দ টেকোলো অমসুং ইকোনোমিক্স এন্দ

ষ্টেটষ্টিকনি।

ঙসি লোয়শিনখিবা বজেট মীফম অসিদা পুন্না স্তার ক্বোইসন ৮৮ হংখি। ৱিদ্রো তৌখিবনা মরিনি। কোল্লিং এটেন্সন ১০ পুখৎখি। লোয়ননা বিল ৯ পুথোক্তুনা পাস তৌখি হায়না অদ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতনা ফোংদোকখি।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** মনিপুর প্রদ্রেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা হায়রি-কংগ্রেস এম.এল.এশিংনা বিধান সভাদা পুখৎপা ৱাফমশিং রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌবা নত্তে। ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়-কংগ্রেস এম.এল.এশিংনা বিধান সভাদা খন্ননবা থমখিবা ৱাফমশিং অয়াবা পীরক্তবা অসি লাইবক থিবনি। থা অসিগী ৯ দা পাঙথোকখিবা বিধান সভা মীফমদা বিরোধি এম.এল.এশিংনা পুখৎখিবা ৱাফম তাবীদবগী সভাদগী মপান থোরকখিবা অদুবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনবীগনু হায়নসু শ্রী মেঘাচন্দ্রনা ফোংদোকখি।

মহাকা হায়-বিরোধি এম.এল.এশিংনা তঙাইফদ্রবদি বিধান সভাদা সেক্রেট সিট্টিং ফাওবা ফমদুনা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাংগী মতাংদা খন্নসি হায়না হায়জখি। অদুবু, ৱাফম অদুগী পাউখুম অমত্তা পীরকখিদবা অসি লাইবক থিবনি। মীফম অসিগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতসু কংগ্রেস এম.এল.এ. মঙানা অধ্যক্ষদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখি হায়না শ্রী মেঘাচন্দ্রনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ তাবীরিবা পাউ অসি লোয়বগা মণিপুর বিধান সভাগী ঙসি চথুখিবা মীফমগী মতাংদা বিধান সভাগী পাউদম তাবা ফংবীগনি। মসি হেক লোইবগা জিলাগী চিঠি শন্দোক্কনি।**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল-লক্ষমন প্রসাদ অচ্যারিয়ানা ঙসি মহাক্কী অহানবা বিষ্ণুপুর জিলাগী খোঙচৎতা জিলা অসিগী ওল মণি সেক্রেটরিয়েটকী রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন (আই.দি.পি) শিংগা হকথেংননা উন্নদুনা মখোয়না থেংনরিবা অৱাৎ-অপাশিং য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা রাজ্যপালদা আই.দি.পিশিংনা অথুবা মতমদা রাজ্য অসিদা মহৌশাগী ফিভমদা হনজিন্দুনা শান্তি পুরকবা হোৎনবীয়ু হায়না তকশিনখি। মদুদা রাজ্যপালনা মহাকা অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়না থাজবা পীখি।

শ্রী লক্ষমন প্রসাদনা মফম অদুদা লৈরিবা অঙাংশিংদা মহৈ মশিং তম্বদা চংবা অমদি চান-থকবা পোৎলমশিংসু অঙাংশিংদা য়েন্থোকখি।

**কার্ড (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্বাক্তা শনন্থোংদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা পি.এম.জে.এ.ৱাইগী হেলথ কার্ডশিং য়েন্থোকখ্রে।

রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবগী নোমিনি থোকচোম সরতচন্দ্রনা হেলথ কার্ডশিং অদু রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা খুৎশিন্নখি।

**নোনে (এল)ঃ** নিশাগী মায়োক্তা লৈনবা লৈবাক শিনবা থুংনা চথরিবা নসা মুক্তা ভারত অভিয়ানগী মখাদা ঙসি নোনে জিলাগী লোংমাই কৈথেলদা লৈবা সেরোল ইংলিস হায়স্কুলদা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

চান্দেল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিসকী মীৎয়েং মখাদসু নসা মুক্তা ভারত অভিয়ান ২০২৪ গী পালন তৌখি। কামজোং জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা জেদ.ই.ও. অমদি দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিসকা খুৎশমদুনা নসা মুক্তা ভারত অভিয়ানগী মখাদা নিশাগী মায়োক্তা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখি।

**তিরঙ্গা (এল)ঃ** হর ঘর তিরঙ্গা কেম্পেইনগী মনুং চন্না ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা পোরোম্পাৎতা লৈবা স্তার স্পোর্টিং ক্লবকী

লম্পাক্তগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্স ফাওবা তিরঙ্গা যাত্রা চৎখ্রে।

মদুদা দি.সি. য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিং অমদি ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

নোনে জিলাদসু হর ঘর তিরঙ্গা কেম্পেইন জিলা অসিগী লোংমাই কৈথেলদগী হৌদোকখি।

**মীলাল (এল)ঃ** মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোল অপুনবা লুপ (মীলাল) না মমাং থা জ্লাই ১৪ দা জিরিবা য়াওনা তম্পাক্কী জিলাশিংদা কেটেগোরি তরুক থোকা পাঙথোকখিবা ক্লাস ৱানদগী টেন ফাওবা মীতৈ ময়েক চাংদমবগী ফল লাউথোকখ্রে।

থা অসিগী ১৮, মীলাল লিংখৎখিবগী চহি ২২ মপুং ফারকপগী থৌরমগা মরী লৈননা জে.এন.মনিপুর দান্স একাডমীগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা চাংদমবা অদুদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা-মথুমশিং য়েন্থোক্লগনি হায়না মীলালনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**ৱাবগাই (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী মনুং চনবা সুগ্ ৱাপোকপী, তাংজেং খুনৌ, তাংজেং খুঞ্জাউ, কোরসানতাবী, চজিং খুনৌ অমদি খোংয়ামগী মীয়ামনা লন্থী শেন্থীদবগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাবগাই লমখাই টু সুগ্ রোড ষ্টেট হায়ৱে দিবলপমেন্ট এন্দ দিমান্দ কমিতিনা লন্থী অসি ঙরাং ফাওবগী মনুংদা শেন্থা হৌবীনবা মরী লৈনবশিংদা তকশিনদুনা লাকখিবনি। মখোয়গী দাবী থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী খোঙজং চংশিনবা হৌরকখিবনি। মখা তানা মীৎয়েং চংবিদ্রবদি বন্দ অমদি ব্লোকেড য়াওনা মখল মখা কয়াগা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়রি।

**মালোম (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা মালোম কৈথেলদগী কোন্থৌজম তাবা লন্থী অসি চয়োল অমগী মনুংদা শেমদ্রবদি লন্থী অসি মতম কক্তনা থিংজিল্লগনি হায়না মফম অদুগী মীয়ামনা ফোংদোরক্লি।

ঙসি মালোম হৱাইরৌ মৈরা পায়বী অমদি য়ুথ এফিয়ার্স ক্লব মালোম অনিনা শিনদুনা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মৈরা পায়বী অমনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না লন্বী অসি মতম কয়াগী মমাংদগী শেন্বীনবা মরি লৈনবশিংদা তকশিনদুনা লাক্লি। অদুবু, ঙসি ফাওবা শেন্বীরক্তবনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি।

**আগষ্ট ১৩ (এল)ঃ** রাজ্য সরকারনা হয়েং অথৌবশিংগী নুমিৎ পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে।

থৌরম অসি হয়েং অয়ুক্তগী হৌদুনা ইম্ফালগী মোইরাংখোমদা লৈবা হিচম য়াইচম্পাৎ অমদি কোনুং মমাংদা লৈবা থঙ্গাল টেম্পল কমপ্লেক্সতা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা হৌদোক্কনি। তুংদা, কংলা উত্রাদা রাজ্যপাল অমদি মুখ্য মন্ত্রি য়াওনা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎকনি।

মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা বির টিকেন্দ্রজিৎ পার্কতা পাঙথোক্কনি।

**এসসিআরটি (এল)ঃ** ষ্টেট কাউন্সিল ওফ এদুকেস্নেল এন্দ রিছার্স ত্রেন্নিং (এস.সি.ই.আর.টি) না শিনদুনা ষ্টেট লেবেল ফোল্ক দান্স এন্দ রোল প্লে কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু ময়াই কাবা চিঞ্জাক শিজিন্নরকপগী মরম অমদি মসিনা পীরিবা চৈথেং হায়বা হীরমদা লমফেলপাৎতা লৈবা কাউন্সিল অসিগী মল্টি পরপজ হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবনি।

**মৈ (এল)ঃ** নোনে জিলাদা মৈ চাং নাইনা ফংদ্রিবা অসি য়েংশিনবীনবা খুল ৩০ না শাবা, ভিলেজ কাউন্সিল লোংমাই এরিয়ানা মরি লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি। জিলা অসিদা মৈ চাং নাইনা লাক্তবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরে।

চয়োল অমগী মনুংদা পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিং পায়খৎতুনা মৈ ফংহনবীয়ু

হায়না মরি লৈনবশিংদা আপিল তৌরি।

**বোদি(এল)ঃ** ওল মনিপুর বোদি বিল্ডিরস এসোসিয়েসন (অম্বা) গী মীৎয়েং মখাদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিরস এসোসিয়েসননা শিনদুনা অহানবা মিস্তর উখ্রুল বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস কম্পিটিসন ২০২৪ ঙসি পাঙথোকখ্রে।

উখ্রুল হেদক্কাটরগী টাউন্দ হোলদা পাঙথোকপা চাংদমবা অদুদা শান্নরোই ২৯ না শরুক য়াখি।

**জিমাষ্টিক(এল)ঃ** ওল মনিপুর জিমাষ্টিক এসোসিয়েসননা শিনদুনা চথুরকপা ষ্টেট লেবেল জিমাষ্টিক চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

থা অসিগী ১০ দগী চথুরকপা চেম্পিয়নসিপ অসিদা দি.জি.এ.বি. য়ুনিটনা সনাগী তকমান ২৫, লুপাগী ২৮ অমদি শেঞ্জেংগী ১০ ফংদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখি।

**মনকি বাট** ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ১১৩ শুবা মনকি বাট- পুকিংগী ৱা থা অসিগী ২৫ দা অকাশবানিদা শন্দোক্কনি। মসিগীদমক মীয়ামা সজেসনশিং টোল ফ্রি নম্বর 1800117800 দা পীরকপা য়াগনি।

**শামু** ঃ ঙসি মালেমগী শামুগী নুমিৎনি। কুমশি চহিগী থিমদি- পার্সোলিফায়িং প্রিহিষ্ট্রিক ব্যুতি, থিওলোজিকেল হায়বসিনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয়গী অকোইবগী খল ঙাক্কুনা থম্বদা শামুশিংনা লৌরিবা শিংথানিঙাই ওইরবা থৌদাংশিংগী মরমদা এৱারনেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্লি।